# শেনয়েক চৎনখিদবা অমদি ব্লোকেদ অফাংবী

## ডা. অথোকপম উমাবতি

***হৌজিক হৌজিকমক*** সনা লৈবাক্কী য়ূমথোং খুদিংমক কোক্তা খূৎ হাপ্লরে। অৱাৎ অপা লৈতনা পৈশিনখ্রবা ইমুং খরা নত্তনা অতৈদি হো ইমা হায়না লাওবা হায়বদুমক য়ৌরে। ইমুংগী নোংমগী চরা অনীগী চাকখুম মৈ মুৎতনবা হোৎনবদা মণিপুরগী নুপী অয়াম্বা অৱা পোৎলুম পুরে। মণিপুরগুম্বা লায়রবা লমদমসিদদি ক্রেদিট, দেবিদ কার্দনা পোৎ চৈ লৈবা হায়বদু লায়রবা মীচম মীয়াম, লৌমীদি থম্বু থমখ্রো ক্রোরপতিমকসু তৌনদ্রি। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান থক্লবা পোৎলমশিং লৈরিবসিসু লায়রবা শুরগা চাজবা ইমুংশিংতননি। হায়রিবা মীওই কাঙলুপ অসিনি হন্দক্কী অচৌবা শেনয়েক চৎনহনখিদবা অমদি ইকনমিক ব্লোকেদ অনী অসিনা খম থেংনা ৱাহল্লিবসি। মসি নৎতবা ময়ায় ওইবা থাক হায়বা তাই, মশাগী শেলদি লৈজবা, লৌথোকপদি ঙমদ্রবা অৱাবা মখল অমা নোং ঙান্দ্রিদৌঙদগী ক্যু লেপ্তুনা ঙাইরুবসু শংজদবা/ঙমজদবা কাঙবু অমগী অৱাবসু লৈরি। মসিদি অৱাবা নত্তে হায়গদৌরিব্রা? হায়বদদি ইরায় হেক লায়বা ঐগী লৈজবা চৎনদ্রবা শেনয়েক তারিখ অসুক অসুক ফাওবা হাপচিনবা য়াই, লৌথোকপদনা অদুক ফাওবা হাপ্তা অমদা, এ টি এমদনা অসুক ফাওবা চিংথোকপা য়াই, কয়া ফজখ্রবনো! থবক ওন্থোকপা কান্দদি হে তাইবঙ মপু নঙতনদি খঙই। শেন্দোং তানবশিংগী মফমদদি ৱাত্তনা থন্বীরি পৈশা কায়বদা চাদা অসুক অসুক মাঙবীদা, তঙাইফদবনিনা মাঙলবসু মাঙনা কায়দুনা শীজিন্নরি। করি অমুক হায়রুরনি অহিং নোংয়াইদা থোক্তুনা বেঙ্ক মমাঙদা লেপ্লুরগা ফম্ফম অদু হান্না লৌনীংবশিংদা লুপা ১০০, ২০০, ৫০০ দা য়োনবগী অনৌবা চৎনবীফাও মণিপুরদা লাক্লে। লুরক্লিবদি শেঞ্জাও পায়বা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈত্রবসু য়াবা, অরোনবা শেল কয়া পৈশিল্লে হায়রিবশিংদুদি করিমতসু ৱাবিদে, বেঙ্ককী ক্যুসু য়াওরদে, থাউগী ক্যুসু য়াওরদে অদুনা মখোয়দি শিবসু শিবিদে। দিমোনেটাইজেসন হায়ব্রা দিমোদিতাইজেসন হায়ব্রা খুদক্কী ওইবা টাইম বোমসি অহানবা পুথোরকপদদি লৈবাক্কী লন থুম লোৎশিনবা, অরানবা মওংদা শেল তানবশিংদা পোখায়দুনা লোইশিনহন্নবা য়াম্না শিংনা পায়খৎলকপা ফজখ্রবা থৌওং অমনি হায়দুনা য়াম্না হরাউনরুই, থাগৎনখি। অদুবু কুইথরক্লগদি বোম অসিনা টার্গেট তৌরম্বসি তোল্ল-তারবা, লায়রবা থাক্কী মীচম মীয়ামশিংদনি হায়বসি সুম সুম ময়েক শেংহল্লকপগা লোয়ননা মতম চানা পোকখায়রক্লি। মদুনা পান্দুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী কাঙলুপ অসিগী মীওই নুপী য়াওনা ৮০ মুক্তি অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে, অমুক হল্লক্লরোই। মসিবু অফবা থবক অমা লাকপদা খরদি অৱাবা খাঙবনি হায়বনা কোক্লবা য়াগনি থাজদে। শিখ্রিবশিং অসিগী মরক্তা মখোয়না হাৎকনি হায়খিবা অরোনবা লন থুম লেপশিনবা মরাল লৈবশিংদু অমত্তা য়াওই হায়বা তাদে, নৎত্রমকসু ফাগৎলে, চৈরাক পীগনি হায়বসু থোইনা তাদে। হৌজিকসু হায়রি ৱারবসু ৱানা মতম খরদি ঙাইমিন্নখিসি, পূক্নিংদা নুংশা থিবা পোকই মতম খরগা হেন্না ঙাইথরুবদা মীচম মীয়াম মশীং ১০০ দগীসু হেন্না থৌশিল অসিনা অরান খুভম ফংহনগদৌরিব্রা?



**ইকনমিক ব্লোকেদ অফাংবী ঃ**

মমাঙথক্তগী হৌনা চহী খুদিংগী ওক্টোবর, নবেম্বর হায়বা মীতৈ নিঙোলশিংগী মরুওইখ্রবা থা অসি ইকনমিক ব্লোকেদ হায়বা চৈফু অসি নংদুনতা লাক্লি। নিঙোল চাক্কৌবা লোইখ্রগা, খৃষ্টমাস য়ৌরকপদদি ৱারকপগীরা, কুম্মৈ য়াওনীংবগীরা মহৌশানা ব্লোকেদসি খরা কোমথোকপগুম তৌরকই। মসি অনৌবা নত্তে, চীনফা পুরবা পাড়ানি। অদুবু কয়া মবুক মপাউ ফখ্রবা তম্মীশিংনো, শ্বাইদা খরা লাউজবা নত্তনা অকনবা থৌওং অমত্তা লৌখৎতুনা লেপহন্নবা হোৎনবদি তৌদ্রি। মীতৈ ৱাহৈদা পুকফবগী শরুক থুংদে হায়নরম্বসিমক কুইর কুইরগা চুম্লক্লি। হৌজিক্কী চাওখৎলবা চক অসিদদি পুকফবা হায়বসিগী ৱাহন্থোক অসি 'অপঙবা' হায়না হনবনা হেন্না চুনরবনি। হৌজিক চীংগী অশিংবা ইয়াম্বনা তমগী মনাওগী চরম মেৎতুনা শান্নরি। তমগী মনাও অপঙবনা শ্বর থিংগৎতুনা অৱাবা খাঙলি। মতাংসিদা ওজা অমনা হায়খিবদু চুম্মী- খল্লি মচিন মনাওগী মরী হায়বসি নাকল অমত্তনা য়াবা নত্তে, অনীমক্লা হায়মিন্নগদবনি। ঐখোয়তনা ইচিন ইনাওনি হায়রগা মীনদি শুকলৌ লৌবীদবদু অশেংবা ইচিন ইনাও কৌগদ্রা, মুন্না খন্থবা মতম ওইদ্রিব্রা? অমুকসু ব্লোকেদ অসিগী মমৈ শাংদোরকপা ওইনা কাউন্টর ব্লোকেদ হায়বা অমা থোরকই। তাঙখ্রবা মীয়াম্না চান-থক্লবা পোৎলমশিং মনা-মশিং, হৱাই-চেঙৱাই পূম্নমক চিংথদুনা শোরোক্তা গাড়ীনা তকখায়হনবা হায়বসিমক্তি তৌহৈদবা, তৌহন্নিংদবা থৌওং অমনি হায়না খোয়শাওনৈ অদুবু ঐখোয়না নীংশিংগদবদি অসিগুম্বা তৌহৈদবা থৌওং অসি করিদগী চথ্থরকপনো? মসি কনানা তৌহনবনো? খোই মহুমদা চৈনা থিল্লুরবদি করি তৌরকপা হৌনবগে হায়বসিনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদি থিংবা থোইনা লুরোই। অহানবগী চৈনা থিল্লিবদু হেক লেপ্পদা খোই পাইথোরকপদুদি মশা মরোমদোম অদুম লেপচখ্রগনি। অতোপ্পা অমনা ঐখোয়না কাউরোইদবসি মীয়াম্না অসি য়ৌনা ৱানরবসিফাও তুমিন্না কুম্মৈ য়েংলিবসি মরৈপাক্কী থৌগল কদায় য়ৌনা তৌনিংবা মচাশিংনো? মখোয়দা ঐখোয়না করিগী পাড়া তম্বীরোইদগে? মতিং ফুদোক্তুনা মরৈবাক মরমদম কন্ননবা হোৎনবদা কনানা থিংবগে। মদুদি নত্তনা করিগী তুং মাঙ য়েংদুনা মীঙোন্দা মরাল থংজিন্নবা হোৎনদুনা লৈবগী মতমলা? মদুগী মহয় কৈদৌনা মণিপুরগী মীয়ামদা ফংহল্লোইদগে হায়বসিনি।



ব্লোকেদ লাক্লগা কনা কনানা হরাউই, কনানা ৱাই হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ৱানি। ব্লোকেদ মমাঙদা লৌশিনহৌবা পোৎ পূম্নমক ব্লোকেদকী পাউ হায়ফেৎতং তাবদা হান্না পীরম্বা মমলগী শরুক অনীদা য়োল্লক্কনি, হায়রুবা য়ারোই ব্লোকেদ তৌরি পোৎ পুশিল্লক্তে খুম্লক্কনি। চাদবদি য়াদবনা তাঙলবসু তাঙনা লৈগনি । মমৈদদি লৈগে হায়রবসু পোৎ ফংলরোই। দুকান্দারদি শেন্দোং মফম খঙনা ফংহৌগনি। ওজা অমনদি হায়খি, ব্লোকেদকা হায়বসি চাওখৎপা য়ৌদ্রিবা মফমশিংগীনি, চাওখৎলক্তুনা গ্লোবেলাইজেসন লাক্তুনা প্লেন্দা, ত্রেন্দা চৎথোক চৎশিন তৌরক্লবদি মতোমতা অদুম মুৎচখ্রদবনি। অদুবু গ্লোবেলাইজেসন য়ৌরক্ত্রিফাওবদি ঐখোয় থায়নগী পুন্সি মহিংদা হিংবা ঙম্লগদ্রা? মমাঙঙৈদদি ঐখোয়না পুথোকচবা পোৎতনা য়াখোঙ থুম্না চাদুনা কনাগীসু মীপান তাঙদনা শু নোমদুনা হিংনরম্মী। ঙসিদি কদায় নোং ঙানবদগী নুমিৎ হেক তাবা ফাওবদা ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নরিবা পোৎলম মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি, ঐখোয়না পুথোকচবা পোৎলম অমফাওবা য়াওদে। ব্লোকেদ লাক্লগা ঐখোয়না ঙসি অসুক য়াম্না ৱানরিবসি মরম অসিদগীনি। অদু ওইরবদি ঐখোয় করি তৌবা তায়, ঐখোয় য়াম ৱারে তোকপীরো হায়রগা য়াবিরক্কদবসু লৈত্রে। ব্লোকেদকী লম্বীসু অদুমঙাই মখোয়না ঙহাক লৈতনা অথিংবা পীরিবসি নৎত্রদি লৈত্রব্রা, লৈরগনা মদু চৎনবা য়ানা শেমগৎপদি কমদৌই। হৱাই, চেঙৱাই, মনা-মমশিং পূম্নমক ইশা ইশানা থাদুনা পুথোকচরবা, মপান্দগী অমত্তা হেক লৈবীদ্রবা, হোয় ইরমদমদা ফংদবা থাউগুম্বা খরা তঙাইফদনা লৈরবসু। ঐখোয়গী লৈজরিবা লম পূম্নমক খুরক হাংদনা মনা-মশিং থাজল্লবদি খরমখৈদি ফগদ্রা। মতমগী মতুং ইন্না মমাঙঙৈগী অদুম্না ইস্খোল চাওনা কোয়ফমদি লৈনদ্রে অদুবু মণিপুর তম্পাক্কী পাকখ্রবা লৌবুক ময়াম অমদি ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ইহাং হাংনা থল্লি। ককচীং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খজিক নত্তনা। মসি লোইনা মনা-মশিং থারবদি খরমখৈদি কোমগদ্রা খল্লকই। হন্দক্কী ব্লোকেদ মনুংদা য়ুমগী ইস্খোল মচাদা থাবা তিলহৌ, চনম, মোরোক খরদু য়াম্না মমল লৈরকখি, মসিদগী খল্লকপা ৱাখলনি। ঐখোয়না নোংমগী মনুংদা শীজিন্নরিবা পোৎলম খুদিংমক মীপাল তাংলুবনা অমুক ৱাবনি। মুন্না য়েংশিল্লবদি ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা নাকোয়ননা হায়বগুম তৌরি - তম্পাক্কী তম্মী নখোয়সু খরদি শু নোম্মুনা, মীপান তাংদনা নরোমদোম হিংবা তম্মুনা।

# হাও জগোয়

**— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —**
**এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর**
**দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা**
**মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর**

***মীতৈনা*** শিল-লাংবা ফঙ্কসনশিংদা অমদি কলচরেল প্রোগ্রামশিংদা কবুই, নাগা, তাঙ্খুল, মরিং, চোথে, কোমনচিংবগী জগোয়-ঈশৈ প্রোগ্রাম খরা য়াওবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। মীতৈশিংদি চীংমীশিংগী জগোয় ঈশৈ লোয়না তম্মী অমদি শক্তুনা শাদুনা উৎলি। অদুগা চীংমীশিংনদি মীতৈগী জগোয় ঈশৈ অমত্তা তম্বীদে অমদি শীজিন্নবীদে। মখোয়গী কুম্মৈ অমদি ফঙ্কসনশিংদসু মীতৈ জগোয়-ঈশৈসি কয়া থেংনরোই। মীতৈগী জগোয় তৌবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা হায়বদদি চীংমীশিংগী জগোয়সি তম্বদা অমদি শাবদা য়াম্না লায়না থোকই। অদুগা মীতৈগী জগোয়শিংদি তম্বদা খরা হেন্না লুবনা চীংমীশিংনা কয়া তম্নদে। মসিসু নৈনবা য়াবা ৱাফমনি।

সোসিএল ইন্টিগ্রিটি, খুন্নাইগী অপূনবগী লীচিংগী ৱাখল্লোন অদু মীতৈশিংনা হেন্না লৈবনা কম্যুনেল হারমোনি পুরক্লনবা হোৎনবদা হৌমীন কামিন্নরকপা অমদি খুন্দা লৈতামিন্নরকপা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী কলচরেল আইদেন্টিটিসু খঙবীবা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপীবা ওইনা তৌরিব্রা হায়বসিসু হংবা য়াবা ৱাহংনি। খুন্নাইলোন (খুন ময়ায় + না ইবা (অমত্তা ওইনা পুনশিনবা, লং নাইবগুম) + কাঙলোন) গী ৱাখল লৌশিং য়াম্না খঙবা হৈবা ফুরুপতি মচিন মনাওশিং, ইমুং-মনুংশিং, মরী-মতাশিং, খুন লৈকায় অমদি লৈবাক মীয়াম পূম্বা চিকখোন-নাওখোনবা, খোমজিন-তাশিনবগী থবকশিং খরা হেন্না লৌখৎলকপা মশানা তাবনি। মীতৈশিংনা তাশিনবগী থবকশিং খরা হেন্না লৌখৎলকপা মশানা তাবনি। মীতৈশিংনা পুথোকপা ফিল্ম, দ্রামা, শুমাং লীলা, নোভেল, সোর্ট ষ্টোরি, ফোল্ক টেলনচিংবদা মীতৈগা চীংমীশিংগা লৈনরিবা মরী-মখোং কয়াদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী কয়া ঐখোয়না তাবা অমদি উবা ফংলি। মসি মীতৈনা অচৌবা ফুরুপ অমা ওইরুবনা পূম্নমকপু চিখোন নাওখোনবগী থৌদাংদু ঙসি ফাওবা লৌরি হায়বদু তাক্লিব্রা? হায়বসিসু হংনীংঙাইনি। লৈবাকমচা তাবা অমদি মীনুংশি খঙবা হেল্লিবু হায়রিব্রা? নৎত্রগা মীতৈদি ইতৈ-তৈ, অমসু অমসু ইরামদা লামশিল্লি হায়বদি ইনাৎ থাদোক্তুনা মীনাৎতা - মীগী ফিজেৎ-লৈতেং, চাকচা-য়ুথক, য়ূমরৈ-কৈরৈদা, মীগী লোন অমদি লাইনীংনচিংবদা পংলুপ্তা লুপই হায়নরিবা মচৎতুগী শরুক্লা হায়নসু হংনদবা নত্তে। মীতৈ ঐখোয়গী মতৌদি কনানসু তম্বীদে। মীতৈ ঐখোয়তনবু মীনাৎতা পঙাও ঙাওজরুবা অমদি লুপচরুবা অদুম তাদুনা তোক্কদৌরিব্রা হায়বদুসু খঙদে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু চহী খুদিংগী মীতৈ নিংথৌগী সনাকোনুংদা মেরা হাওচোংবা কুম্মৈ পাঙথোক্তুনা চীংমী তম্মী পূন্না হরাউ কুম্মৈ, জগোয়-ঈশৈ কয়া পাঙথোকমিন্নরীবা, চামিন থকমিন্নরিবা কয়াসিনা য়েলহৌঙৈগী মরী কয়াগী ৱারীদি লেপ্তুনা লীরি। চীংমী-তম্মীশিং অৱৈ লৈতা পুথোক পুশিন, তাথোক তাশিন তৌনদুনা পূন্না হিংমিন্নরম্বগী ৱারী ৱাখোঙ কয়া ঙসি ফাওবা কৈথেলমানবী হায়বা চীংখোঙশিংদা লৈরিবা লমদমশিং অসিনা কাউবা লৈতনা নীংশিংহল্লি। উমংলাইশিংগী ৱারী ৱাখোঙদা, নিংথৌরোলশিংগী ৱারীদা, লাইরোন তিনলোন্দা, লম্মীৎলোন্দা, শাগৈ-সলাইরোন্দা, চায়নরোলদা, লমদমসিগী খুন্দারোল-খুন্থোকলোন্দা অমদি খুন্নাইলোন্দা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিংগী ৱারী ৱাখোঙশিংদু ফজনা রিছার্স তৌ তৌদুনা পুথোকপা ঙম্লবদি মীতৈশিংনা ঙসি ফাওবা লাই হরাউবদা চীংমীশিংগী নাৎকী জগোয় ঈশৈ কয়া লাইগী থৌগলদা য়াওহল্লিবসিগী মরমশিংদু লোয়না থোরকখিগনি। জগোয় ঈশৈ মখল মথেল য়াম্না শাবা-শকপা হৈশিংই হায়বগী তৌরিব্রা হায়না হংনরিবা ৱাহংশিংদুগী পাউখুমদুসু লোয়না ফংলকখিগনি।

ঙসিদগী চহী ৬০/৭০ রোমগী মমাঙদদি উমংলাই হরাউবদা খুন লৈকায়দুগী মনাক নকপদা খুন্দাবা কবুই, মরিং, চোথে, তাঙ্খুল, কোম্ন চিংবা ফুরুপশিংনা লাক্তুনা মখোয় মখোয়গী নাৎকী জগোয় ঈশৈশিং উৎতুনা লাইগী থৌগল য়াওরম্মী। লাই পোৎ লান্নদুনা পূন্না হরাউ মথোই কামিন্নরম্মী। মীতৈশিংনসু মখোয় লাক্কনি, জগোয় ঈশৈ উৎলরনি হায়বদা য়াম্না হরাউনা খৌরাংনা ঙাইনরম্মী।

থৌগল জগোয় ঈশৈদা শেলসু য়াম্না থানরম্মী। মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না মখোয়না হকথেংননা লাই থৌগল তৌবা য়াওনরক্তুবদা মীতৈশিংনা ওইনা মখোয়গী মতৌ তম তমদুনা লাই থৌগল তৌদুনা লাক্লি লোয়ননা হৌরকৱারী কয়াসিবু ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা শমথরি। গান ঙাই, চবান কুট, লুই-ঙাই-নিনচিংবসি গভর্ণমেন্টনা ছুটি থাদুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লিবনিনা হায়রিবা কুম্মৈশিং অসিদা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা ফুরুপশিংসু চাউনা শরুক য়াহন্দুনা মখোয় মখোয়গী নাৎকী জগোয় ঈশৈনচিংবা কয়াসু খুদোল তৌহনবদা মীতৈশিংনা লাই হরাউবদা চীংমীশিং শরুক য়াহনবগুম্না চীংমীশিংনসু মখোয় মখোয়গী কুম্মৈশিংদা মীতৈদা নত্তনা অতোপ্পা ফুরুপশিংসু শরুক য়াহন্নবা শিল-



লাংবিরবদি লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা থাজিল্লক্লিবা শিংচেপশিং অসি খরমখৈদি লৌথোকপা ঙমগদ্রা হায়বদু অমুক্তং য়েংমিন্নসি।

ৱাফম অমনা মীতৈনা জগোয় ঈশৈ ফনা হৈদুনসু চীংমী মশা মশানা পার্ফোম তৌজবদুগা কৈদৌনুংদা খক মান্নরোই। নাৎকী থৌরমনিদি হায়রগা ফিজেৎ লৈতেংদসু অমুক মরীং মরাংলবদি ফুরুপশিংদুনা মখোয়গী নাৎ, চৎনবী, ফিজেৎ লৈতেংনচিংবা কয়াবু ইকায়খুম্নদবীদা পংতৌদা তৌশিল্লে হায়না ৱাকৎলক্লবদি মীতৈশিং হৈমেন শিংমন্দুনা পশিং থোক্কনি। মসিগুম্বা কয়াসি ফজনা নাৎ-পু তামিন্নদুনা, শেগা মায়গা তানদুনা নেনা তাবা অমদি তংদু লৈতোবা ফুরুপ কয়ানা খূৎমান্ননা খুল্লিংবা চাওখৎপা লাইগী লৈবাক, সনা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নরসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## কাশ্মীরগী ফীভম

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***ইন্দিয়া*** অমসুং পাকিষ্টান য়াম্না শাংনা মিনাই নাইথাংগী মখাদা অংগ্রেজীশিংনা থমখি। মিনাই নাইথাং ওইরুবা মরম্না লোলগী খোন্থোক শুনা লৈজদবনা (ময়েক) অংগ্রেজী লোল ইন্দিয়া মচা খরবু কন্না তমহনবিখি। মিনাই পাম্বা, অংগ্রেজীবু য়াবা, মসিগী লোল হৈবা মীওই কয়াবু লৈঙাক্কী থবক লোইনা পীরে হায়বা য়ারে। মসিনা মরম ওইদুনা হৈরুরিবা অসিনা অংগ্রেজশিংগী মিংচৎ, থবক, ৱা ঙাঙদুনা চৎনবীগীদা মতেং পাঙখ্রে। মিনাই নাইথাং পাম্বা মপা-মপু হাক্তক্তগী হৌজিক ফাওবা মান্নবা ৱাখলদুদা লুপ্পু হায়বা য়াদ্রি। ইন্দিয়া মচাশিংবু গুলামী (মিনাই) হায়দুনা ৱাখল অদুদা লাইচুহনখি। মণিপুরদগী শক ফজবী কয়া কয়া ইন্দিয়াগী শক ফজবী কয়াসু মখোয়গী অপাম্বগী মখাদা থমখি। শক ফজবী কয়াশিংদুনা মশাগী য়ূম ইন্দিয়াদগী হৌরকপা ইন্দিয়াবু কায়নবা তৌবিগনু ঙাঙজবা, ফোঙদোকচবা ঙমজখিদে। মসিগা মান্নবা ইকায়খুম্নরবা গান্ধীজী, নেহরুজী, রাজেন্দ্র প্রসাদনচিংবগী মমিৎ পুমতাং তাঙবগা মান্ননা লৈখি হায়বা য়াই। মতমদুদা থম্মোয়দদি য়াম্না নুংঙাইতবা, শাওনীংবদি ফাওখি।

কুমজা ১৮১৮ গী মে ৫ দা জর্মনিগী ত্রাইয়ার সহরদা কার্ল মার্ক্স পোকখি। মার্ক্সনা মালেমগী মী হায়বা কাঙলুপসিগী মরমদা শিন থুংনা করম্না নুংঙাই য়াইফবা অমা পুরকপা য়াগদগে থিজিন্দুনা নৈনবা হৌখি। মান্না মান্নবা কাঙলোন অসি পুথোরকখি। মান্না মান্নবা লৈঙাক, প্রনালী ওইবা লাইরিক ফোঙলকখি। লাইরিক অসিনা মরম ওইদুনা রসিয়া লৈবাক্তা পোকপা লেনিন্না মীয়ামগা লোয়ননা মিনাই-নাইথাং, মি ওৎপা জার নিংথৌবু লোইশিনখিদুনা কম্যুনিজমগী কাঙলোন্দা লৈঙাক শেমদুনা নীংখা তম্বা ফংখি। কুমজা ১৯১৭ দা রসিয়া নীংখা তমখি। শোমদনা ইন্দিয়া লৈবাকলোমদনা মিনাই নাইথাংগী লাংদা থুখ্রবা, লম্বী লমহাংনদুনা লৈখ্রবা গান্ধীজী, নেহরুজী, প্রসাদনচিংবদা নীংখা তম্নবা ৱাখলগী মমি তাখি।

রসিয়াগী নীংখা তম্বগী ৱাখলগী মঙাল ফংলবনিনা গান্ধীজীনা ইন্দিয়াদগী অংগ্রেজী তান্থোকখিনবা সত্যগ্রহ অন্দোলন পুখৎলকখি। অহিংশা নীতিনা য়াররোই হায়দুনা গান্ধীজীগী নাক্তগী থোরক্লে হায়রগা সুভাসচন্দ্রনা হিংশাগী লাল হৌরকখি। হিংশা লালনে, অহিংশা লালনে, ভগৎ সিংহ কম্যুনিষ্ট ইথিলগী লালনা কনখিবা মরম্না অংগ্রেজী ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎপা তাখি। অংগ্রেজীশিংগী গভর্ণরশিং অদুনা গান্ধীজীগী ৱাখল্লোন লৌথোক লৌশিন তৌবদা চানবা মরম্না গান্ধীজীদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক কুমজা ১৯৪৭ গী ওগষ্ট ১৫ দা শীন্নখি। অদুবু ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান লৈবাক অনী থোক্লা খাইদোকপীখি। ইন্দিয়া মায়কৈদগী লম লৌবা, অকনবা ৱা ঙাঙবা ওইখি। পাকিষ্টানদি অশোনবা, ৱা কন্না ঙাঙবা ঙমদবা ওইখি। ইন্দিয়ানা লম য়াম্না চাওখি। পাকিষ্টান্না লম পীশক পীকখি। মিনাই নাইথাং পাম্বা অংগ্রেজশিংনা ৱাখল লৈবনিনা লৈবাক অনী অসি খৎনহনবনি হায়বা তাক্লে। লৈবাক অনী অসি পুনশিন্দুনা নুংশি চান্ননা লৈনবগী পোলিসি শান্নবা ৱাখলদুদা য়াওদে। মখোয়না খঙবদি মিনাই থম্বা য়াবা অদু খক্তা খঙবনে।

খুদমদি ঃ- রসিয়া লৈবাক অসি মচেৎ-মচেৎ থুগাইরগা অৱাং কোরিয়া অমদি খা কোরিয়া অনী থোকহল্লগা তোংশিল্লিবা অসিনে। ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা নীংখা তম্বা ফংলবনিনা মী অমা অনী ওইবা নিংথৌগুম্বগী ৱা লৌবগী মহুত্তা খুঙ্গং মীয়ামগী মত লৌরগা লৈবাক খাইদোক্লম্লবদি ফরমগদৌবনে। মী অনী অহুমগী খূৎয়েক লৌরগা তৌবগুমখ্রে। খূৎ কনবা কাঙবুনা অহাংবা লম য়াম্না লৌবগুম থোকখ্রে। গভর্ণরজীশিং কাশ্মীরনসু পাকিষ্টান্দা পূনবা য়াম্না য়াই, য়াসু য়াদে। নম্ফু অপাম্বনা নম্ফু ঙাক্তনি তাক্লে। কাশ্মীরদি হিন্দু য়ামদে। কাশ্মীরগী লমগীদমক্তা সিফাই অমা থৱায় থাবদা লুপা লাক্ষ ২০ য়ৌখ্রে। মসি লৈবাক মচা অমা শেম্বদা চঙবা শেলগা পাঞ্জকনি, অরেম্বদা শেল চৎহল্লি।

পোকমিন্নবা মচিন মনাও লৌ-ইস্খোল মুন্নবদা খৎনবগুম্বনে। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান পুকচেল খরা চাওথোকপীরো। লম্বু শিবদা পুবা য়াবরা, মখল মথেলগী মী লৈবনিনা শামপ্রদাইকগী ইরাংনে হিটলরনা চেকোলোৱাকিয়াদা লাল তারকত্রিঙৈগী মমাঙদগী পাকিষ্টানগী ওইরম্মী । লৈবাক অনী অসি ফুরুপ খায়দবা হায়বদি মান্নবা ৱাখল্লোন মওংদা লৈঙাক্লম্বা য়াদ্রগদি অমদি লৈবাক অনী অসি হান্নগুম্না পুনশিনসি হায়বা য়াদ্রগদি কাশ্মীরগী এরিয়া খুঙ্গংগী মীওইশিংগী মত লৌরগা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইহনবদা লানগদ্রা? হান্নগী নিংথৌগী শুপ্নম সাসনগী মওং অদু লৌরবনিনা হৌজিক্তি দেমোক্রেসিনি। মসিগা চপ মান্ননা মণিপুর লৈবাক অসিসু তৌরিবনি। চাওথোকচবা, নাপলগী ঈজৎ মানবা অদুনা মীয়ামগী লায়রবগী ফীভম অসি কোকপা ঙমগদ্রা? ঙম্লোই। ঐখোয়না পাম্বদি লায়রবা কোকহনবনি। চোঙবা হায়বসি মখল অনী শুই (১) খঙদদুনা চৎলুবদগী অচুম্বদা চোঙশিল্লকপা অমা (২) অচুম্বনি হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা চোঙ চোঙদুনা চৎপা ৱাখল পরেং অমা মণিপুরদা মরাং কায়না লৈরে য়েংবিয়ো।

লাল পামদে, পাম্লিবদি শান্তিনি।

*অদোমগী - এম গম্ভির খুমন*
*নম্বোল লাইতোঞ্জম, মণিপুর*